# লৈশাবীনা করিগী নুপী অতোনবী ওইরিবনো?

## (নুপী ওইবীগী মমল য়াম্লবা পুন্সিবু ঙাইহাক্কী ৱাখলনা, মৈরানবীনা মৈনি খঙনা চোংশিন্দুনা পুন্সি লোইখিবনি কাউগুমসি)

– মুতুম শান্তি –

মীওইবা কৌবা জীবসিদা নত্তনা অতোপ্পা শাদ-ঙাদা, তীল-কাং পূম্নমক্তা নুপী-নুপা (লাবা-অমোম) লৈ। মীওইবা ঐখোয়গীদি মচা পোকপা মতমদা নুপা পোকপদা হরাওরি। নুপী পোকপদদি হরাওদে। করিগীনো হায়বা ৱাহং কয়ানি। নুপী য়াওদনা হিংবা য়াররা? ইমানা পোকপদা হরাউবা, নুংশিবগী মফম থম্বীদ্রবা নুপী ঐখোয়সি চেকশিন্দ্রিবা করিগীনো? অমুকসু হায়বীরম্মী নুপী অমা শেম্বদা পাপ মশীং শুদ্রবদি য়াদে। অসিগুম্বা ৱাহৈ ৱাত্তা ময়ামসি তারুরগা হেন্না কিবা অমসু ফাওহল্লি। নুপীমচা পুংকক চাওরকপা মতমদা অবোকখোয়না হায়বীরম্মী। ফি ফৌনবা ৱানা শাবা পোলাংখোক য়ূমথোঙগী লৈনরম্মী। পোলাংখোক্তা নুপাগী খুদৈ ফৌরবদি লৈশাবীনা মখাদা লিৎতুনা চৎহৈদে হায়না তাকপীখিবদু ঙসি ফাওবা কাউদ্রি।

নুপীমচা লৈশাবী ওইরিঙৈদা নুপাগা য়াম্না লাপ্না লৈনবগী ৱারোল কয়া পুকমেন পাউমেন্নখি। অহলশিংনা ঙাওবীরম্বা, তাকপীরম্বা ৱাহৈ কয়াবু নাথৈদুনা খক চৎলক্তে। অহল লমনগী ৱারীনা পুন্সিগী লমজিং মৈরা ওইনা নোংম-নোংমগী ময়েক শেংলক্লি। খুন্নাইসিগী ফজরবা মরুমসিদা ৱাখল য়াওদবা লৈশাবীশিংনা করি তৌরি? লোক অমদা কৈ অনী কুনবা য়াব্রা? মৱা-মপুরোইবা শিখিবা, লুখ্রাবীনা নুপী লৈখিদ্রবা নুপা লৌন-লৈনবদি অকায়বা থোইনা লৈতব্রা? মমাঙঙৈ অহলশিংগী মতমদসু চৎনরম্মী। পাখ্রা, লুখ্রা লৌনবসি ফাওবা কদায়নো হায়রিবনি।

নুপীগী পুন্সিদি লৈগা পাঞ্জকনি, পাঙ্গল শোনবীনি। খোঙফম অমা শোয়বা য়াবা নতে। মঙ অনী শুবা ফত্তে। কয়াদা লুখ্রবনো নুপীগী খোঙচৎ।

লৈশাবীনা চহী মতম চানা য়ূম-কৈ পানবা থেংনখিবদগী ওইবসু য়াই। লৈশাবীশিংগী মমল য়াম্লবা মীংচৎপু চেকশিলহৌদ্রে হায়রগা অমুক হল্লকপা য়াবা খোঙথাং নতে। মসিনি নুপী লৈশাবীগী পুন্সিগী মরু ওইরিবা শক্তম। হৌজিক মাঙদা উরি, শেল য়াম্না পান্বদগী শেঞ্জাও পায়বা নুপা কয়াদা লৈশাবীনা অতোম্বী ওইরি। মপান্দগী লাকপা মীতোপ-মীয়ানচাশিংদা ওফিসরনি হায়না অতোম্বী ওইরিবা ঐখোয়গী লমদমসিদা মশীং য়াম্লক্লি। ঐখোয়গী লৈঙাক্কী অচৌ অশাং নন মণিপুরীশিং সেদ্যুল্ড কাষ্ট, সেদ্যুল্ড ত্রাইবনা অয়াম্বনি। ঐখোয়গী হন্থবা থাক্কী মীওইশিংদা করিগী মমল য়াম্লবা লৈশাবীগী পুন্সিবু কখোল্লিবনো?

ফুরুপ তিন্নদবা মীওইশিংদুনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা হুন্দোকপীরমগনি খন্দব্রা? বর সাহেব ওংবী সনাতোম্বীদুগী ৱারী তাখিদ্রিবা লৈশাবীশিংলা? সনাতোম্বীদু থম্লম্লগা বর সাহেব হনখিবনি। সনানা য়োমদুনা থম্বীরম্লবসু পুন্সিগী খোঙচৎতি করমনো? লন থুমদি তুরেল কাউশিংগা চপ মান্নে। লম্বী মপান্দা শাৎপা লৈ অমা খূৎনা পৎ থৎতুনা হেক্লগা খোঙপাক্লা নৈৎশিনবীবগা মান্নে। মাঙহৌরিবসি কনানো? নুপীখক্তনি হায়বসি ৱাখল খনদ্রি।

নুপীসি নোংমদা অহুম্লক পংথৈ হায়বা নুপীনা য়াম্না লুবা পাউরৌশিংসু লৈরি। পাখঙ লৈশাবী নুংশিনরে, খঙনরে। নুপা পাখঙসিনা নুপী লৈশাবীদুদা হায়রি, ঐ নঙবু য়াম্না নুংশি, ঐনা নঙবু শোয়দনা লৌরগনি হায়বনচিংবা ৱাহৈ কয়ামরুম হায়রকপদা লৈশাবীশিংনা থাজবা য়াদে। নুপাদুনা ঙাঙলিবদু লৈশাবীদুনা করি ৱাখল খনবগে হায়বগী চাংয়েং তৌরিবনি। লৈশাবীনা থাজবা মীৎকুপ্তো অহুম্লক পংথবগী মনুং চল্লবনি। লৈশাবীনা পংথরুরবা নুপানা লাপথোক্লবা হোৎনরক্লনি। নুপা হায়বসি অফবা মশীং য়ামদবনি। ঐখোয় পূম্নমক্লা সিনেমা, দ্রামা, শুমাং লীলাদা কয়া অমা উরুরবসু লৈশাবীশিংনা অফবা লৌশিনবদি হৈত্রি। পংথরুবা লৈশাবী অদু মাগী খঙনবা নুপাদুনা থৌশাবীরক্তবদগী অৱাবা মৈচাক ওইহৌবা নত্তনা লম্বী অতৈ অমা লৈত্রে। মথন্তা ৱাখল তৌরক্কনি, করম্বা নুপাদা য়ূম পানগনি। মৈবু ফিনা কুপ্পা য়ারোই। অতোম্বী


ৱাখল চান্ননা হিংলিবা ইমুং


ৱাখল চান্নদনা হিংলিবা ইমুং

ওইরক্তবা য়াদবা মতাং ওইরকখি। অসুম্না মশানা মশাবু মাঙহঞ্জরগা লাইবক থীবী অপঙবী ওইখিবী কয়ানি।

য়ূম পানবদা মীনম্বা য়াদে। ঙাইহাক্কী অপাইবা তেলঙ্গাগুম্বা নত্তে। নুপা নুপী অনীগী পুন্সিদা অচুম্বতনা জয় ওইরি। ঐখোয়গী মীতৈ খুন্নাইদা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা লুহোংবা অসিদি অঙকপগী মশকনি। মমাঙঙৈ চেল্লবদি লুহোংলমদে। মতম খরগী মতুংদা অউনপোৎ তম্বীরগা লৌখৎপা হায়দুনা চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লগা নুপী অদু মপামদা চঙবা য়ারম্মী। লৌখৎত্রিবা মখৈ মপামদা নুপীদু চঙবা য়ারমদে। চেনবা, চেন্দবা চপ মান্ননা লুহোংলি। য়াম্না লুবা, তুংদা অকায়বা লাক্কদবা খোঙথাংনি।

নুপী নুপা অনীসিনা মালেমসিদা চৎনবীগী মতুংইন্না চাদা-নাওদা শন্দোক্কদৌরিবনি। মসি মীওইবগী কায়বা য়াদ্রবা খোঙচৎনি। লুহোংবদা নুপী লৈশাবী অদু ঙসিদগী নুপা ময়ূমগী য়ূম্নাক্তুদা গোত্রদা চল্লে হায়না শোন্দুনা মীয়াম মমাঙদা খঙহনবদুবু লুহোংবা কৌই। অসুক লুখ্রবা থৌরম অসিবু চেল্লবসু হোংলি, চেন্দ্রবসু চপ মান্ননা লুহোংলি। খেন্নবা খজিক থমদবনা অচার-বিচার নাইদবা চৎনবী অমা ওইরক্লি। পাখঙ লৈশাবী চেল্লগা লুহোংববু অমাংবা লুহোংবনি। অহল লমন খঙহন্না, অফ-ফত্ত য়েংদুনা লুহোংববু অশেংবা লুহোংবনি হায়জনীংই।

অসুম্না লুহোংবসি ময়েক অনী থোক্লবদি তুংগী মীরোলদা অফবা ওইরক্কনি খঞ্জে। লুহোংবা চৎপদা চেল্লগা লুহোংবদি চর্চ কাবা, লুহোংবা য়াদে। লম্পাক্তা হোংই। মখোয়না হায়, লুহোংবা অমাংবদি চর্চতা কাদুনা লুহোংবা য়াদে। খেন্নবা থম্বসি অচুম্বা, অশিংবা অফবা চৎনবীনি। মীতৈদগী চীংমীশিংনা হেন্না ফজবা চৎনবী মশীং য়াম্মী। নুংশিবা খুনগী কুম্মৈ মখল য়াম্না লৈ। মখোয়গী চৎনবীবু ঐখোয়না ইকায়খুম্নজৈ।

ঙসিদগী চহী ৬০/৭০ শুরবা মীওইশিং অঙাং ওইরকপগা হৌজিক্কী অঙাংশিংগী মওং মতৌ অসি অসুক্কী মতিক খেন্নে। হৌজিক্কী অঙাংশিংদি অহল লমন্দা থকসি খাসি অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই। ইপু-ইবেন, ইমা-ইপা হায়বসি কনানো? অহলশিং অসিনা করি তৌরি, করি হায়রি হায়বনচিংবা করিমত্তা উবিদবা, য়েংবীদবগুম তৌরি। অঙাংনা অহলদগী হেন্না খঙবা শারি। ইমুংগী অহলশিংনা অফবা ঙাঙবা অমত্তা তাবা নত্তে। মখোয় লোইনা খঙই। খরগী ৱা নৎত্রে, হংলুবা খুদিং ইমান-মান্নরি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি ইমা, ইপা, ইপু, ইবেনশিং য়াম্না কি য়াম্নসু নুংশি। মখোয়না হায়বা খুদিং অঙাং ঐখোয়না তৌদবা অমত্তা য়াওখিদে। অহলনা অঙাংদা অফবাখক্তা হায়বনি। ইমাগী অৱাবা থবক খুদিংমক মতেং পাংজরকখিবা, ইমা ৱাখিনি হায়না মীপায়বসু ফাওই। পীশক পীক্লিঙৈ ইমাগী ফৌ শুবা, চাক থোংবা, ঈশিং শোকপা, কোন ফেংবা, ফি শুবা, ষণগী ধানা লোনবা, চরু ককপা, অয়ূক অঙনবদা ইমুং, মাঙ্গোল, চাকশং পূম্নমক ৱাই শিৎতুনা, ৱাই তৈরিবা অসিগুম্না ইমাগী মতেং পাংবদা চোকথবা লৈরকখিদে। অহলশিংনা চৈবদা খুম্বা ঙমজখিদে।

ঙসিদি কয়াদা খেন্নরিবা, মসিবু চাওখৎলিব্রা নৎত্রগা চাওথরিব্রা? ওল্ড এজ হোমদা মচা মশু লৈবা অহল কয়া অমা লাক্তুনা লৈররিবসিনা তাক্লি। ইমুংগী নহা অঙাংশিংনা নুংশিনা তৌবীদবগী চাওরবা খুদমনি। হান্নগী অফবা লমচৎ শাজৎ মাঙখ্রগা ফত্তবগী চৎনবীনা অওনবা পুরক্লিবা খুন্নাই ওইরে। অফবনা তুংদা লৈহৌরে, ফত্তবনা মাঙ থারি, তুংগী মীরোলগী ওইরক্কদবনা করিনো? অহল লমন্না হায়বা ইন্দবা মচানবু করি অফবদি ওইরক্কনি। ইচানুপী, ইচানুপা খেন্নদে চপ মান্নে। মতমসিগী লায়না শন্দোকপগা চপ মান্নরি। ইমা ইপা অনীদি মিৎনা উবা লাইনি হায়না ইথোক্তুনা থম্বীরম্লবসু ওন্ন-তৈনবদা হিংলিবা মতমসিগী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংনি।

অসুম্না মমা মপানা নুংশিনা চাউনবা, মহৈ মশীন তমহন্দুনা য়োক্লকখিবা মচানুপীনা লৈশাবী ফারক্লগা ময়ূম মকৈ পানবা মতমদা নুপা অমদা অতোনবী হেক ওইরিবা অসি মমা মপা, শাগৈ পূম্নমক অৱাবা ইকায়বা নংবা হায়বদু থোকহল্লি। মসি লমহেনবা মচানুপীশিংগী মরক্তা য়াম্না থোক্লি।

মমা মপানা হায়বা ইন্দবনা মচানুপীশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদুনা খাঙুথক্তা পুন্সি লোইখি। মমা মপানা মচা খুদিংমক চপ মান্ননা নুংশি, অফবা খক্তা ওইহন্নীংই। হায়বা ইন্দবা, থকসি-খাসি লৈত্রবা, লমকেৎ লমহাইবী অসিগুম্বনা অয়াম্বা ওইগল্লি। নুপী অতোনবীসি অয়াম্বনা অফবা ওইদে। অফবা অতোনবী মশীং য়াম্না তাঙলি। মীগী মকাদা য়েৎলুরবদি ৱাখল খন্থবা অমা চঙই। অফবা ৱাখলনা ইমুংগী লৈরম্লিবা মীওইশিংবু নুংঙাইনা হিংমিন্নবা ঙম্বা নুপী অমগী গুন চেনবনা শক্ল-শোন্নগনি তুংগী মীরোলনা।

ইজরিবা ৱাফম খরা অসি নুপী ওইবীশিংনা য়াম্না মমল লৈনা, চীং লেম্না লৈশাবীদগী মৌগী শীংদা চনবদা শোয়হন্নীংদবনা ইজবনি। তাংফম অমা শোয়বদা নুপীগীদি লোইরে হায়নরি। নুপাদি চাম্মগী মপুনি হায়রি। লৈশাবী হৌরক্লিবা কয়াবুসু ইমা, ইপাগী য়াথং ইনবনা অফবা ওইগনি হায়জনীংই। চেকশিন্না মতম পূম্নমক্তা য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদাবীয়ু। লৈশাবীশিং লম্বীদা চৎপদা ফি কোম্না শেৎপীগনু। নুংশিনবা নুপাগা নকশিন্নবা তৌবীগনু। লমদমসিগী হৌরক্লিবা লৈশাবীশিংবু অইবীনা লাপ্না খুরুমজরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### মোরেগী খুল ২দা ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রি।

য়াম্লবা ম্যান্মার মচাশিং ফাগৎলকপা অসিগা মরী লৈননা হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা শজিৱা জেল কমপ্লেক্স মনুংদা লৈরিবা শীজিন্নদ্রিবা নৌনা শাবা মফমদা ফোরেন্নর দিটেন্সন সেন্টর অমা হাংদোক্তুনা মখোয়বু থম্নবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

লোয়নন্না ফাগৎলবা মীওইশিং অসি কোর্টকী অয়াবা লৌরবা মতুংদা ফোরেন্নর দিটেন্সন সেন্টর অসিদা পুরক্তুনা থম্নবা পাউতাকসু পীখ্রে।

পনবা য়াবদি, ফাগৎলবা ম্যান্মার মচা ৮১ অসিগী মনুংদা মশাগী চহী ৭০ শুরবা থাংলুন হাওকিপ অপোকপা লৈখিদ্রবা রেংতুন হাওকিপ (তমু দিষ্ট্রিক্ট) অমসুং মফম অদুদগী খাইখুপ হাওকিপ কৌবা মশাগী চহী ৬৩শুরবা মীওই অমসু য়াওরি হায়রি।

### পরিক্ষা পে চর্চাদা শরুক য়াখিবী...

*লামায় ১গী মখা...* ভর্চ্যুএল মোদতা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌরম অসিবু তম্ফাস্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা শরুক য়ামিন্নখি। থৌরম অসিদা শরুক য়ারবা মতুংদা গভর্ণরনা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মহৈরোয়শিংনা মখোয়গীদমক পাঙথোকপা চাংয়েং (পরিক্ষা) শিংবু ইকায়খুম্ন গদবনি হায়বসিনি। মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা চাংয়েং হায়বসিমক য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি হায়বগা লোয়ননা মহৈরোয় পূম্নমক্লা সবজেক্টশিংগী মাষ্টর ওইবা ঙমদবা য়াই। অদুম ওইনমক মহৈরোয়শিংনা মখোয়না ঙম্বা চাংদা লাইরিক পাগদবনি অমসুং থাজবা অমগা লোয়ননা চাংয়েংশিং মায়োক্লগদবনি হায়খি। লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরক্কদবা মখোয়গী এগজামিনেসনশিংদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়খি। থৌরম অসিমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশঙবমদা লৈবা শ্রীবোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈরোয়শিংগা পূন্না শরুক য়ামিন্নখি। লোয়ননা এগজামিনেসনশিংদা মহৈরোয়শিংনা অকি অখং য়াওদনা হরাও তয়াম্না শরুক য়াগদবনি। হায়রিবা অসিমক ওইহন্নবা মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংনসু থৌদাং লৌগদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ৬শুবা থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মহৈরোয় ১০২না শরুক য়াখি।

### ক্রিটিসিজমদি য়াই অদুবু একুজিসনদি...

*লামায় ১গী মখা...*আই এস টি ভি নেটৱার্ককী ফাউন্দেসন দে থৌরমদুদা অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী ওইনা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া হাউসতা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হাপলিবা অসি য়াম্না কান্নে। অদুবু খন্ন-নৈনবা অদুদা য়াওরিবা মোদরেটরগী থৌদাং য়াম্না চাওই। রিছোর্স পর্সন ওইনা লাক্লিবশিংগী মরক্তগী কম্যুনেল ওইবা স্পিচনচিংবা ঙাংনবা হোৎনরকপা মতমদা মোদরেটরনা থিংবা ঙম্বগী পৱার লৈগদবনি। মাঙদা তারগা লৈরিবা ইসুশিংদা মরী লৈনবশিংনা মিৎয়েং চঙহন্নিংই।

মতম অমদা তম্পাক্কী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা চীংগী শরুকশিংদা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরম্মী। অমনা অমদগী হেল্লি হায়নবগীদমক নমথনবগী হৈনবী লৈরম্লবসু থাদোক্কদবনি। মসিগী মহুৎতা ঙসি লমদম অসিদা ফুরুপ কাঙলুপ খায়দনা চীং-তম পুন্না হিংলক্লিবা অসিদা মিৎয়েং চঙগদবনি। ঐখোয় পুন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নগদবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখিবা মতম অদুদা লমদম অসিগী অপুনবা মী মশিং অসি শুপ্নতগী ৫০১২০০ খক্তনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক লমদম অসিদা মী মশিং কা হেন্না হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা চীংমী-তম্মী অমদি পাঙলশিংনা করি খল্লিবগে হায়বগী মতাংদা খঙদোকপা মথৌ তায়। লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা লমদম অসিগী ওইনা লৈরিবা সী এস ওশিংনা অয়েৎপা পীনবা হোৎনবগী মহুৎতা মতেং পাঙশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা দ্রগকী অকনবা চৈফু অমা লাক্লিবা অসি মতৌ করম্না লাকখিবনো হায়বা খন্থবা চঙই। ইমুং খুদিংগী দ্রগ এদিক্ট অমমম য়াওবগী ফীভমদা লাক্লিবা অসি ঐখোয়না তরায়না লৌরোইদবনি। লৈঙাক অসিনা হৌজিক চত্থরিবা ৱার ওন দ্রগস মীয়াম্না পাম্নবা অমা ওইরে। হৌজিক্তি লৈঙাক্লা চঙশিল্লম্বদগী মীয়াম্না মহুৎ শীন্দুনা ৱার ওন দ্রগ চত্থরক্লবনিনা শোয়দনমক্কী মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, আই এস টিভিনা লমদম অসিগীদমক লৌরকখিবা থৌদাং অমদি হৌজিক হৌজিক লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানসু মীয়ামগীদমক থৌদাং কয়া লৌনবা আপিল তৌখি। লোয়ননা আই এস টিভি নেটৱার্ককী ওফিস লৈরিবা মফম অসি বজার মনুং ওইবনা মী য়াম্না চিনবগী খুদোংচাদবা অমদি মশাগী ওফিসল বিল্ডিং ওইদবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরিবা অসিদগী কোক্লবা মফম চাবা অমা য়েংলগা লম পীগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আই এস টিভি নেটৱার্ককী প্রসিদেন্ট বিজয় কবোরাম্বমনা থৌরম মপু অমদি ৱাটর রিছোর্সেস, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমার, মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তি অমসুং কুম্বী এ সীগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্রনা অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা আই এস টিভিগী প্রোগ্রাম থম্মোয় ঈ-পাউ উৎখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি।

### লালা রাজপট রায়গী...

*লামায় ১গী মখা...*লালা রাজপট রায় কুমজা ১৮৬৫গী জন্যুৱারী ২৮দা পোকখিবনি। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরম্বদা নত্তনা অইবা অমসু ওইরম্মী হায়খি। মহাক লৈবাক অসিগী নীংতম লান্দা শরুক য়াখিবা অথৌবা মীওই অহুম 'লাল-বাল-পাল' হায়না খঙনখিবা বাল গঙ্গাদর টিলক অমসুং বিপিনচন্দ্র পালগী মনুংদা মহাকসু অমনি হায়দুনা শীংথারকখি।

### রিপব্লিক দে থৌরমগী মায়োক্তা লৈ তাকপনি ...

*লামায় ১গী মখা...* তাকপা থৌদোকশিংনি। লোয়ননা বোম পোকখায়হনবা অমসুং বোম প্লান্ট তৌবগী থৌদোকশিং অসি য়াওল্লুপশিংগী অপূনবা কোরকোম অমসুং অতৈ ৱাখল্লোন মান্নবা নীংতম য়াওল্লুপশিংনা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে থৌরম বোইকোট তৌববু শৌগৎপা ফোঙদোকপা অমসুং থৌরম অসিগী মায়োক্তা লৈ হায়বা তাকপা ওইনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, কুমজা ১৯৪৯দা ইশানা ইরোমদোম লেপচনবগী হক লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নমদুনা মতমদুগী ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগী খূৎয়েক লৌদুনা কংলৈপাক অসি ইন্দিয়াদা নমতিন তিনশিনখি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন চৎনবা হৌখিবগী থৌরম অসি ইরমদম কংলৈপাক্তা শম্নফম শুংথোক থোক্তে লোয়ননা লমদমসিদা থৌরম অসি পাঙথোকফম থোক্তে। লোইলম লৈঙাকপশিংনা কংলৈ মীয়ামগী নীংবা কায়হন্নবা অমদি নীংতম য়াওল লাম্হেং অসি লোই মপু ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংদা মনীং হল্লে হায়বা উৎপা য়ানবা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কয়া, শেল অমসুং মতম চঙনা দেল্লীনা চান্নবা হায়না ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে থৌরম মমিংতগী ওইনা পাঙথোকখি। কংলৈপাক্কী লৈহাওদা লোই লৈঙাক্কী থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি ইরমদম্না নীংতম্না লৈরম্মী হায়বগী ৱাহন্থোক লান্না উরক্লবা অমসুং কংলৈপাক অসিবু হেন্না মপূং ফানা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনবনি। লোইলমগী কোলোনিএল লৈঙাক্লা কংলৈ মীয়াম্বু কৈদৌনুংদা মীখা পোলহনবা ঙম্লোই অমসুং কংলৈপাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক মতম পূম্বদা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা প্রিপাক অমসুং রেদ আর্মিনা লেপ্লি হায়বা অসি ঙসিগী লোই লৈঙাক্লা খঙজিনগদবনি হায়রি।

অরোইবদা য়াম্না লাইবক থীবা নুংঙাইতবা উখ্রুলগী থৌদোক অদু রেদ আর্মিগী স্পেসল টাস্ক ফোর্স এনা বোমগী টাইমর সেট্টিংদা মতম খরা শোয়নবদগী থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা য়েলহৌমী ইচিল-ইনাওশিংগী অশোকপদু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্নী শঙলূপ রেদ আর্মিনা শরুক য়াজবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগীদমক থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়রি।

### চেকশিল্লবা অসাম রাইফলসকী চ্যেক পোষ্টশিং...

*লামায় ১গী মখা...* তৌরে হায়রিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুনা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজদগী ককচীং কম্মান্দো য়ুনিটদা এটেচ তৌরকখিবা হবিলদার (নম্বর ০২২০০৭২৫১) খ্বাইরাকপম অচৌবা (৩৭) অপোকপা কে ঐচ থানিলজাও, অৱাং সেকমাই মখা লৈকায়, তরেৎশুবা এম আরদগী কম্মান্দো য়ুনিট অসিদা এটেচ তৌরকখিবা রাইফলমেন (নম্বর ০৭২০০৬০৮৮) থৌচুং সুভাস চোথে (৩৮) অপোকপা টি ঐচ বাবুচাও চোথে, চন্দ্রপোতা ভিলেজ (চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট), ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী এটেচ তৌরকখিবা কন্সটেবল (নম্বর ১৮০১২০৩) য়ূম্নাম দিনেশ্বর মৈতৈ (২৯) অপোকপা ৱাই নবচন্দ্র মৈতৈ, ৱাবগাই অৱাং লৈকায়, তরুকশুবা এম আরদগী এটেচ তৌরকখিবা রাইফলমেন (নম্বর ০৬২০১০৬৫০) মোইরাংথেম প্রেমচন্দ্র (৩৪) অপোকপা এম ইবোহনবী, পোইরৌখোংজিল অৱাং লৈকায় অমসুং রাইফলমেন (নম্বর ০৬২০১০৮০১) নাওরেম দোরেন্দ্রজিৎ (৩৬) অপোকপা এন সরত, ককচীং খুনয়াই লৈকায়নি।

পনবা য়াবদি, মখোয় মঙামক মতম খরগী মমাঙদগী কম্মান্দো ককচীং য়ুনিটতা এটেচ তৌদুনা লৈরকখিবদগী কম্মান্দো পোষ্ট মোরেদা অমুক এটেচ তৌরকখিবনি। অদুবু খাবৈশোইদা লৈবা স্পেসল কম্মান্দো য়ুনিটতা ত্রান্সফর তৌবদগী মখোয় মঙাগী মনুংদা হবিলদার কে ঐচ অচৌবনা কম্মান্দর ওইদুনা মোরেদগী থোরকখিবনি। মখোয়না য়ুনিফোর্ম শেৎপগা লোয়ননা মশাদা ইস্যু তৌবা সর্ভিস ৱিপনশিং পায়রগা মারুটি জীপসি (অঙৌবা) এম এন -০১/কে-৬৫১০দা তোংলগা পল্লেল তম্না লাকখিবগা লোয়ননা হিরোইন নম্বর ৪ কিলোগ্রাম ১.৩৩৬ অমসুং দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশীং ১০ য়াওনা য়ুঙাং বোক্স ৪ পুরকখিবনি।

মখোয়না ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি পুরক্লগনি হায়বগী পাউ নুমিৎ অদুগী অয়ূক পুং ৪.৩০দা ফংবদগী ককচীং কম্মান্দো য়ুনিটকী পর্সনেলশিংনা পল্লেল লাইমনাই চীংজিন্দা লৈবা কম্মান্দো চ্যেক পোইন্টদা মখোয়বু ফাননবা ঙাইদুনা লৈখিবনি। অয়ূক পুং ৭.১৫ রোম তারকপদা মফম অদুদা মখোয় থুংলখি। অদুবু নাম্থোক্তুনা মখোয়না তোংলকপা জীপসি অদু থৌখিবদগী মখোয়বু ঙাইরম্বা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা তান্নরগা কুরাওপোকপীগী সেন্ট জোসেফ ইংলিস স্কুল মনাক্তা থৎলগা ফাখিবনি। মখোয়গী গাড়ী অদু চ্যেক তৌবা হৌরকপদা ইল্লিগেল দ্রগশিং অদু লৌবুক অমদা লংথোক্লম্লে হায়রকপদগী মফম তাকহল্লগা ফাগৎখিবনি। মখোয়গী মথক্তা ককচীং পুলিসনা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১ (সী), ২২ (সী), ২৯, ৬০ (৩) গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৮ (১) ২০২৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। মথংগী নুমিৎতা মখোয় মঙামক চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, থৌবালগী কোর্টতা পুথোরক্তুনা ঙসি (জন্যুৱারী ২৭, ২০২৩) ফাওবা নুমিৎ ১১নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপদগী কোর্টনসু অয়াবা পীরক্তুনা ঙসি ফাওবা মখোয়গী কষ্টদিদা থম্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক ঙসি মখোয় মঙাগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) কী কোর্টতা পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখ্রে। কোর্টনসু পুলিসকী প্রেয়রদা অয়াবা পীদুনা মখোয় মঙামক জেলদা থাজিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙসি মখোয়বু কোর্টতা পুথোরকপদা মখোয় মঙাগী কম্মান্দর কে ঐচ অচৌবা খক নত্তনা কম্মান্দো পর্সনেল মরিদি পুলিসকী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র ওবজেক্সন তৌরদুনা কেস অসিদগী বেল পীবিনবা হায়জরকখি।

### অসাম রাইফলসনা ফাবা বসন্ত মখোয়গী অরোনবা...

*লামায় ১গী মখা...* শিফটিং টেক্টিস" শীজিন্নদুনা আর পি এফ অসি দ্রগ লল্লোনবনি হায়না মরাল শীজিন্নবা হোৎনরিবসি করিসু কান্নরোই। আর পি এফনা দ্রগকী মায়োক্তা মণিপুরগী তুংগী য়ূম্বীরেলশিং কন্ননবা খোঙজং চঙশিল্লি অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শন্দোকপা দ্রগকী লান মীয়ামদা ফোঙদোল্লি হায়বসি মীয়াম পূম্বনা ময়েক শেংনা খঙই হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুরক হাংদবা মখৈ শৌগ্রি য়ুংবদৌনা য়ুংদুনা লৈরিবা লম্বেল অসি ফাওদুনা দ্রগশিং মণিপুরদা পুশিল্লক্লিবা অমসুং মরাং কায়না ফংলিবসি করম্না চঙলিবনো অমসুং ফংলিবনো। কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর থা হৌগৎলকপদা তেংনৌপল মনুংদা অসাম রাইফলসনা থম্লিবা ম্যান্মারগী লালহৌবনি হায়জবা পিপলস দিফেন্স ফোর্স (পি দি এফ) কী মরু ওইবা কম্মান্দর অমগা কোন্না দ্রগ ময়াম অমা মফম অদুদা পোষ্টিং তারিবা অসাম রাইফলসনা ফাই। অসাম রাইফলসনা পি দি এফতা 'তমু মনুংদা লৈরিবা মীতৈ লালহৌবা কাপ্পা ঙম্লবদি মী অমসুং পোৎ থাদোক্কনি" হায়বা অদুদা পি দি এফনি হায়রিবশিং অদুনা য়াদুনা অসাম রাইফলসনা ফারিবা দ্রগ অমসুং পি দি এফকী কম্মান্দর অদু থাদোকখি। মসিদা চেন্নরিবা দ্রগশিং অসি কদাই য়ৌখ্রবগে হায়নসু হংলক্লি।

চেরোলসিনা হায়, হন্দক মণিপুর পুলিস কম্মান্দো খরা দ্রগকা মরী লৈননা ফাই। মখোয়শিং অসি করম্না অমদি কৈদৌবগী ফারিবনো ? অসাম রাইফলসনা ফারগা থাদোকখ্রিবা দ্রগ অসিগা মরী লৈনব্রা? বসন্ত অমসুং পুলিস কম্মান্দোশিং ফারিবা অসি "ইন্দিপেন্দেন্ট পব্লিক ইনক্বারি" অমা তৌরবদি অচুম্বা শোয়দনা থোক্কনি। ইন্দিয়া নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা থাজবা থম্লবদি অচুম্বা ফংলরোই, লোৎখ্রগনি হায়রি। মণিপুর ষ্টেটকী "ৱার এগেনষ্ট দ্রগ" অসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরু ওইনা অসাম রাইফলসনা শান্নরিবা "দ্রগকী লীলা" অসিদা মায় পাক্কদৌরিব্রা হায়নসু হংলক্লি।

মফম অমদা নৎত্রগা অমদা ফুট-ফুট ফাওদোরকই হায়বগী পি এল এ অসি ময়াম্না "লানমৈ থানবীনি" হায়নৈ। পি এল এ লান্নীশিংনা চিংগী লমদা চৎপা মতমদা অসাম রাইফলসশিংনা খঙখ্রে হায়বগী পাউ লাকই, পাউ অসি চুম্বসু চুম্মী। অসুম্না লানমৈ-থানবী পি এল এগী পাউদি ফংবা ঙম্লগা শুংলেং লেংদবা পোপি পান্বী লম্পাক অমা থাবদি করি মরমগী খঙদ্রিবনো? অসাম রাইফলসকা মখোয়না থাদোকপা মর্সিনরিশিংগা পুল্লগা থাবা পোপি পান্বীরা? সী এম বিরেননা পোপি পান্বী থাবা অসিদা খূৎলায় পায়বশিং চেন্নে হায়রি। দ্রগকা মরী লৈননা "দ্রগপু স্পোন্সর তৌরিবা দেল্লী" গী য়কাবু য়েংগদ্রা নৎত্রগা মণিপুরগী মীয়াম্না দ্রগকী লাইচৎকী মতাংদা লাউরিবা অসিবু তাগদ্রা, লমুক্লরবা সী এম বিরেননা খূৎলায় পায়বা হায়রিবসি মণিপুরগী মীয়ামদা অসাম রাইফলস চেন্নরে হায়বা খঙনবা পাউখোঙ চল্লিব্রা হায়নসু চেরোল অসিদা মখা তানা হংলক্লি।